ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯲꯳, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯲꯶ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

য়ূমশকৈশা, ফেব্রুৱারী ২৩, ২০২১, ইম্ফাল

৪৫শুবা চহী, ৩২৬শুবা মশীং

# মীয়ামগী লৈঙাক্লোন পায়বা পাওথংনফম থোকপ্রা

মীয়ামগী মীহুৎনা লৈবাকসিগী য়ুনিয়ন টেরিটোরি, ষ্টেট অমসুং সেন্টরগী লৈঙাকশিং পায়বা হায়বসিদি হৌনবীনি। লৈবাকসিনা কুমজা ১৯৪৭গী ওগষ্ট ১৫দা নীংতম্বা ফংলবা মতুং কুমজা ১৯৫০গী জন্যুৱারী ২৬তগী মপূং ফাবা রিপব্লিক অমা ওইরকপদগী ঙসি ফাওবদা লিশাং-শিংনা চখদুনা লাক্লবা পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসিগী মচৎনি। অদুগা মীয়ামগী মীহুৎশিং খল্লিবা পোলিটিকেল পার্টিশিং ইনভোল্ব তৌরিবনা য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগীবু ওইরো, ষ্টেটশিংগীবু ওইরো নৎত্রগা সেন্টরগী লৈঙাকপু ওইরো মীয়াম্না খল্লকপা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা খূৎপায়নবা মশানা তাবনি। পোলিটিকেল পার্টি অমনা ওইবা য়াই, অমনা ওইবা য়াই, পার্টি অমত্তনা মেজোরিটি কম্মান্দ তৌবা ঙমদ্রগনা পার্টি খরগী নৎত্রগা ময়ামগী চুংশিন্নবা/ফ্রন্ট/এল্লাইএন্স অমনা পায়বসু য়াই, পায়দুনসু লাক্লিবনি। অদুবু চহী ৫/৫গী ওইনা লৈবাক মীয়ামগী লৈঙাক খূৎপায়নদুনা মীয়ামগী পায়খৎপা/পাঙথোকপা থবক থৌরমশিং অসিবু ইলেক্সন ময়াদা নোং চুরগা অমাংবা পোপথোকপদৌনা কোৎথোক/চিংথোক্তুনা পাওথংনফম থোকপ্রা? হৌজিক ইলেক্সন মমাঙদা পাঙথোকপা মীটিং/কনফরেন্সনচিংবদা ঐখোয়না অদু তৌখিবনি, অদা তৌখিবনি হায়দুনা পোপথোক্লরক্লিবা মীয়ামগী লুচিংবনি হায়জরিবশিং অসিনা মীহুৎ ওইরক্লমদাইদা মীয়ামদা পাওখোল্লোই ওইহনবীয়ু, থৌগল তৌজগে হায়দুনা মখূৎ লোন্নদুনা হায়জখিবা ঙাক্তা নৎত্রা? অদুগা মীহুৎ ওইরক্লগনা মীয়ামগীদমক তৌখিবা থবকশিং কোৎথোরকফম থোকপ্রা হায়বনি। মরমদি চহী ৫/৫গী লিংলক্লিবা লৈঙাকশিংসি মীয়ামগী চাওখৎপা অমসুং য়াইফ-থৌরাংগী থবকশিং তৌনবনি। মতম মতমদুগী মতুংইন্না মথৌ তাবা মীয়ামগী থবক থৌরম পূন্নমক পাঙথোক্কদবনি। মদুবু মীয়ামগী থবক অমসুং লৈঙাকলোনগী মথৌ কৌই। মথৌ পাঙথোকপবু মীঙোন্দা/মীয়ামদা ঐনা অমসুং ঐখোয়না তৌবনি হায়রক্কনু।

অমরোমদা লৈঙাকলোন পায়বা হায়বসিদি মীয়ামগী মপি-মপানি, মমা-মপানি। মসি ওইরগদি মমা-মপানা মচাশিংবু য়োক্লক-থাক্লকপা, মহৈ-মশিন তম্বীদুনা মতিক-চাবা, মশাগী মখোঙনা মরোমদোম লেপচবা ঙম্নবা শেমগৎলকপবু মীঙোন্দা পাওথংনগদ্রা? হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯গী থার্দ ৱেভ মায়োক্নরিবসি মপুন্সি লোইশিল্লক্তুনা মহুৎ শিন্ননবা মীখল পাঙথোক্লগদবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিগীদমক অতম্ননা থোক্লকখিবা লায়না-লাইচৎ নত্তে। মালেমগী মীওইবা পূন্নমক্কী মায়োক্তা চোংথোরকখিবা মীহাৎ লায়নানি। লৈঙাকসি কোংগ্রেসনা পায়রম্নবসু নৎত্রগা অতোপ্পা পার্টি অমনা নৎত্রগা পার্টিশিংগী চুংশিন্নবা খূৎপুনা পায়রম্নগসু মায়োক্নরক্লবদি থেংনবা হায়বসিদি মশানা তাবনি। তৌরুরগা, হোৎনরুরগা পাওথংনগে য়াদে হায়দুনা মায় লৈদুনা চেনগদবসু নত্তে। হরাওবা, নুংঙাইবা য়াওনা অৱাবা-খুদোংথীবা পূন্নমকসু মায়োক্লবা তাবনি। মদুতনা অশেংবা লৈঙাক্লোই অমগী অশেংবা ৱাহন্থোক ওইগদবনি। ভোট পীবা নৎত্রগা পীদবা হায়বদুদি মীয়াম্না পাম্বা পোলিটিকেল পার্টি, কেন্দিদেটশিংগী মখা পোল্লি। মীখল থেংনরিবা পার্টিশিংগী মশক মওং অমসুং ফীভমগী মখাসু পোল্লি। তশেংনমক ভোট পীবা হায়বসিদি ভোটরশিংগী রাইটসনি। মখোয়না অপাম্বা কেন্দিদেটতা মনীং তম্না পীজগদবনি। ভোটরশিংনসু পার্টি অদুনা ফৈ, অদানা ফত্তে হায়দুনা মপান থোক্লা হায়বিরুনু। ফত্তবা কাঙবুদি মথ্বায় শোক্তুনা মখোয়না তৌখিবশিং পোপথোরক্তুনা তেংথারক্কনি, নুংঙাইতে, তাসু তানীংদে। অদুগা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরক্লবশিংনসু মীহুৎ ওইরুবদগী তৌফম থোকপা অমসুং তৌদবা য়াদবা মথৌশিং তৌখিবদু পক্লগা ভোটপু ফিগাও শানা য়ারক্কনু। লৈঙাক্না মীয়ামগীদমক তৌবা থবকশিং ভোট খোম্নবা নত্তে। অদুম্মাইনা তৌরক্লগদি মখূৎতা শিন্নরিবা লৈঙাক্কী পৱারদু লান্না শীজিন্নবরোমদা চিংলক্কনি। থৌওংসি চুমদবা অমসুং তৌরক্লোইদবা থবকনি। মণিপুরগী ভোটর মীয়াম্বু পংলাই লায়নসু খনগনু। ভোটরশিংসি অদুঙৈগী কোবি, হঙ্গাম লৈবদৌনা লৈগে হায়বা য়াওনখিবা অদুম্মাইনা উবা, খনবা য়ারক্তুবনি। মীরেপ ওইগনি হায়দুনা থোরক্লিবশিংদগী ভোটরশিংগী মনুংদনা হেন্না হৈবা, শিংবা ময়াম য়াওরবনি কাউথোকহন্নীংদে।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৬

১) ***“পত্তুম্মাগী হামেঙ”*** হায়বা মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অসি ওরিজিনেল অদুগী অইবা কনানো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

২) **“মফম খঙদনা/মাঙখ্রবা/ঐগী ইমি,/হায়য়ু/কনানা করম্না মূত্থৎখিবনো নঙবু/ঐগী লৈমায়দগী।”** শৈরেং মতেক অসি শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেংদগী লৌথোকপনি। কবি অসি কনানো, মহাক্কী করি লাইরিক্তা য়াওবা করম্বা শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৩) মপান মণিপুরগী অইবা অমনা ইবা লমকোয় ৱারীগী লাইরিকনি **“মালেমদা তোমথীল ঙাল্লিবী বাহরেন”** হায়বসি। অইবসি কনানো?

৪) ১৯৬৭ ইংদা অহানবা ফোঙখিবা লাইরিকনি **“নোংদম”** হায়বসি। লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?


৫) ***“মশাবী লাইরেন ঙাংঙোই য়োইমোংবনা মশানৌদা পাওমেলঙামএ। ইশানৌ য়োইহৈতোন তাওথিংমাংও, নহান নোং ইপল পলেম ইমা নোংমোইনু অহোংবীনা তুশারমপপু লৈএ। শানৌ ইচিল ইনাওতি মোংবা অমরক তুতেংহৌসে।”*** ৱাহৈ পরেং খরসি কদায়দগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৮, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# শরূগুম্না শক্তি লৈবা অমসুং এলুমিনিয়মগুম্না কনবা পান্থীদগী শুংবা মেটেরিএল

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম





কম্পোজিৎ অসিবু য়াগী মওংদা শেমদোকপা, মসিনা মতম অমদা অহাপ্পা য়া ওইনা শীজিন্নবা য়ারক্কনি হায়বগী মওং তাকপা।

পান্থী অমগী খ্বাইদগী কনবা শরুক অসি পান্থীদুগী মউ (ত্রঙ্ক) নৎত্রগা শন্দোকখিবা মরাশিংদুগী মখা পোন্দে, অদুবু মীৎনা উবা ঙমদবা সেল ৱালশিংগী মখা পোল্লি। পান্থী অমগী সেলসি সেলুলোজগী ফাইবরশিংনা শেম্বনি, মসি মহৌশাদা ফংবা খ্বাইদগী মরাং কায়রবা পোলিমরনি, অদুগা মসি পান্থী অমসুং অলজিশিংগী মরু ওইবা ষ্ট্রকচরগী মচলনি। ফাইবর খুদিংমক্কী মনুংদা ক্রিষ্টল পেত্তর্নশিংগী মতৌগুম্না শেম্লবা ওর্গানিক পোলিমরশিংগী চেইনশিং ওইরিবা, মপাঙ্গল কল্লবা ‘রিইনফোর্সিং নানোক্রিষ্টল’ (সী এন সী) শিং য়াওই। নানোস্কেলদা, সী এন সীশিংসি কেভলরদগী হেন্না কল্লি অমসুং কোন্থোক-কোনশিন তৌবা ঙমদে। ক্রিষ্টলশিংসি ফ্রাক্সনশিংদা মেটরিএলশিং ওইনা শেমগৎপা ঙম্লবদি, সী এন সীশিংসি হেন্না কনবা, হেন্না সষ্টেনেবল ওইবা, মহৌশাদগী ফংবা প্লাষ্টিকশিং ওইগদৌরিবনি।

হৌজিক এম আই টিগী থিজিন-লূপ অমনা সেলুলোজ নানোক্রিষ্টলশিংগী অয়াম্বা শরুক্কা খূৎশেমগী পোলিমর খরগা য়ানশিন্নরগা কম্পোজিৎ অমা শেম্বা ঙম্লে হায়না জর্নেল ‘সেলুলোজ’ (ফেব্রুৱারী ১০, ২০২২) দা ফোঙদোরল্লি। ওর্গানিক ক্রিষ্টলশিংদুনা মেটরিএলদুগী ৬০-৯০% শেম্মী - মসি হৌজিক ফাওবদা সী এন সীশিংগী খ্বাইদগী য়াল্লবা ফ্রাক্সনশিংদু ফংবা ঙম্লবনি হায়রি। সেলুলোজদা য়ূম্ফম ওইবা কম্পোজিৎ অসিনা শরূ মখল খরদগী হেন্না শক্তি লৈ অমসুং হৌজিক শীজিন্নরিবা এলোয়শিংদগী হেন্না কল্লি। মেটরিএল অসিগী থরোই মখল খরগী মকুগী মনুং থংবা কল্লবা মরোলদুগা মান্নবা, চেক অমসুং বিলাটিমাটিগী মাইক্রোষ্ট্রকচর অমা লৈ।

থিজিন লূপ অসিনা সী এন সীদা য়ূম্ফম ওইবা কম্পোজিৎ অসিবু শেম্নবগীদমক 3D প্রিন্টিং অমসুং কনভেনসনল কাষ্টিং অনীমক শীজিন্নখি। মখোয়না কম্পোজিৎ অদুবু অপাবা মরোলগী পেন্নি (শেলয়েক) - মুক চাওবা মচেৎশিংদা প্রিন্ট অমসুং কাষ্ট তৌরগা কনশিনহল্লম্মী। মখোয়না কম্পোজিৎ অদুবু য়া অমগী মওংদসু শেমদোক্লম্মী। মরমদি মসিনা মতম অমদা মীওইবগী য়া ওইনা হাপ্লবসু য়াই, মসিনা অতোপ্পা প্লাষ্টিকশিংদগী হেন্না কনবা, শক্তি লৈবা অমসুং সষ্টেনেবল ওইবসু হেল্লি। অসিগুম্বা মহৌশাদগী ফংবা সেলুলোজনা পেত্রোলিয়মদগী ফংবা প্লাষ্টিকশিংগী মহুৎ শিনবা ঙম্লবদি মালেম অসিগী ওইনসু য়াম্না শাফবা ফীভম অমদা থম্বা ঙম্লগনি হায়না প্রোফেসর ওফ মেকানিকেল ইঞ্জিনিয়রিং, এ জোন হার্টনা ফোঙদোক্লি।

চহী খুদিংগী সেলুলোজগী টন বিলিয়ন ১০দগী হেন্না পান্থীশিংগী মউ, মকু অমসুং মনাদগী পুথোকই। অসিগুম্বা সেলুলোজশিংসি মরু ওইনা চে অমসুং লং শুংনবগীদমক শীজিন্নে, অদুগা মসিগী শরুক খরনা মকুপ তানা তকখায়রগা চিঙ্গাককশিংবু কংশিনহন্নবা পোৎ ওইনা অমসুং কোসমেটিকশিংদা শীজিন্নে। হৌখিবা চহী খরসিদা সাইন্টিষ্টশিংনা এসিদ হায়দ্রোলিসিস তৌরগা সেলুলোজ ফাইবরশিংদগী শুংলকপা সেলুলোজ ক্রিষ্টলশিংগী শীজিন্নফমশিংগী মরমদা থিদুনা লাকখি। অসুক য়াম্না কনখ্রবা ক্রিষ্টলশিংসি পোলিমরদা য়ূম্ফম ওইবা মেটরিএলশিংদা মহৌশাগী ওইনা মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক শীজিন্নবা য়াগনি হায়না থাজখি। অদুবু থিজিন লূপশিংনা সী এন সীশিংগী য়ামদবা শরুকশিংখক্তমক শেম্বা ঙম্লম্মী মরমদি ক্রিষ্টলশিংদু মতুম তাশিল্লকখি অদুগা পোলিমর মোলিক্যুলশিংগা অশোনবা বোন্দ শেম্লম্মী।




পান্থীদগী কম্পোজিৎ শুংবগী মওং (a & b), অমসুং মসিগী ক্রোস-লিঙ্ক তৌনরিবা চেইনশিং তাকপা (c & d)

হার্ট অমসুং মহাক্কী খোঙলোয়শিংনা সী এন সীশিংগী য়াল্লবা চাংশিং য়াওবা কম্পোজিৎ অমা পুথোক্লবগী পান্থেশিং থিবা হৌরকখি। মখোয়না কৈথেলদা ফংবা সী এন সী মকুপকা খূৎশেমগী পোলিমরগা য়ানশিন্নবা সোল্যুসন অমা শেম্লম্মী। মখোয়না 3-D প্রিন্টর অমগী নোজলদা নৎত্রগা অপাম্বা মওংগী ছাচা অমদা হাপ্লগা কনশিনহনবা য়ানবা সোল্যুসন অদুবু জেলদা ওন্থোকহন্নবগীদমক সী এন সী অমসুং পোলিমরগী চপ চাবা রেসিওদু খঙদোক্লম্মী। জেলদুদা সেলুলোজগী মতুমশিং য়াওরম্বা তারগদি মদুবু তকখায়নবগীদমক অলত্রাসোনিক প্রোব অমা শীজিন্নে, অদুনা সেলুলোজ অদুগা পোলিমর মোলিক্যুলশিংগা অকনবা বোন্দশিং শেমহল্লি। জেলদুগী শরুক অমনা 3-D প্রিন্টরদা অদুগা লেমহৌরিবদুনা ছাচাদা হৈজিল্লি। অদুদগীদি সেম্পলশিংদু কংহল্লি। থৌওং অসিদা মেটরিএলদুগী চাওবগী চাং হন্থরকই অদুগা সেলুলোজ নানোক্রিষ্টলশিংগী মপং ওইবা কম্পোজিৎ অমা শেম্লকই। অসুম্না উবু অহানবদা থুগায়রবা মতুংদা অনৌবা ষ্ট্রকচর অমদা ওন্থোকই হায়না থিজিনবসিদা শরুক য়াখিবা অভিনভ রাওনা ফোঙদোক্লি।

য়াম্না নুংঙাইরিবদি, থিজিন লূপ অসিনা কম্পোজিৎতুগী ষ্ট্রকচরবু মাইক্রোস্কোপ্না য়েংবা মতমদা সেলুলোজগী গ্রেইনশিংনা চেক-অমসুং-বিলাটিমাটিগী পেত্তর্নদা থরোই মকুগী মওংগা মান্নবা শক্তম অমা থেংনরম্মী। থরোই মকুগী মনুং থংবা মরোলদা চক্রিক-চক্রিক নাইবা মাইক্রোষ্ট্রকচরনা ইরায় লায়না কায়হনবা ঙমদবা ষ্ট্রকচর অমা শেম্মী। মতৌ অসুম্না সেলুলোজ কম্পোজিৎ অসিদসু উবা ফংলম্মী। মখোয়না অনৌবা মেটরিএল অসিনা মীৎনা উবদা ৱাবা ময়িশিং অমসুং মীৎনা উবা ঙম্বা ময়িশিং শেম্লকপদা থিংবা ঙম্বগী চাংদু ওল্লম্মী। অসিগুম্বা চাংয়েংশিংদা মেটরিএল অসিদা মখল অমত্তগী ময়িশিং শেম্লক্তবসু থেংনরম্মী। মেটরিএল অসিনা কায়গল্লবা প্লাষ্টিকশিং অমসুং ধাতুশিংবু য়োমশিনহন্দুনা ময়ি চৎপা অমসুং কায়বগী চাং য়াম্না হন্থবা পোৎশিং পুথোকপা য়াগনি হায়রি।

মখা তারকপা চাংয়েংশিংদা থিজিন লূপ অসিনা জেলশিংদুনা কংশিল্লকপা মতমদা পিকশিল্লকপগী চাংসি হেক ঙল্লিবমখৈ হন্থহন্নবা হোৎনগদৌরি। পিকশিল্লকপসিনা অপিকপা পোৎশিংদা প্রিন্টিং তৌবদদি থোইদোকপা অয়েৎ-অপন থোকহন্দে, অদুবু অচৌবা পোৎশিংদদি কম্পোজিৎ অদুনা কংশিল্লকপদা কায়বা নৎত্রগা ময়ি চৎপা থোরকপা য়াই। রাওনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, করিগুম্বা জেল অদুনা কংশিল্লকপদা পিকশিনহন্দবা ঙম্লবদি স্কেলিং অপ তৌবা য়াগনি; মসি মিটর স্কেলদা ওইবা য়াই। মসিদসু মায় পাক্লবদি প্লাষ্টিক অমসুং ধাতুশিংনা শাবা পোৎশিংবু কায়হন্দনা মতম কুইনা শীজিন্নবা য়াহল্লগনি হায়না থিজিন চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোক্লি। ●

# ১৬শুবা ওলিম্পিক গেমস, মেলবোর্ন ১৯৫৬ # ৩

- লৈশাংথেম অজিৎ -

মিটর ১৫০০গী অশাংবগা মাইল অমগী অশাংবগা হায়রপ মান্নে। মাইল অমগা মিটর ১৬০৯.২৫গা মান্নে। মতম অদুদা মাইল অমগী লমজেলদা মিনট ৪গী মনুংদা চেনবা ঙম্বা মালেমদা নুপা তরা খক্তমক লৈরম্মী। মখোয়গী মনুংদা রোন-দেলানিনা খ্বাইদগী নহা ওইরম্মী অমদি জোন-লেন্দিনা মঙম অদু পাঙথোকখিবা অনীশুবা নুপা ওইরম্মী। মতম কুইনা ঙাইদুনা লৈরক্লবা মাইল অমবু মিনট মরিগী মনুংদা চেনবা ঙম্বা অহানবা নুপাদি ইংলেন্দগী মেদিকেল তম্লিবা মহৈরোয় রোজর-বানিষ্টরনি। মে ৬, ১৯৫৪দা মহাক্না খৃষ্ট-ব্রেশর অমসুং খৃষ্ট-চাতাৱে, বৃটিশকী লমজেল্লোইশিং অসিগা চেনমিন্নদুনা মখোয়বু মহাক্কী মমাঙদা চেলহল্লগা মখোয়গী মতুং ইন্নদুনা মহাক্কী খোঙজেল অদু য়াঙখৎহনখি, অসুম্না মখোয় অনীগা চেনমিন্নদুনা মাইল অদুবু মিনট ৩ সেকেন্দ ৫৯.৪দা চেন্দুনা লমশাং অসিবু মিনট মরিগী মনুংদা চেনবা ঙম্বা অহানবা নুপা ওইরম্মী। পাউ অসি মালেম শিনবা থুংনা শন্দোকখিদুনা মীওইবগী অনৌবা তৌবঙম্বা মঙম অমনি হায়না লৌদুনা ইতিহাসিক ওইবা থৌদোক অমা ওইখি।

মেলবোর্নদা ওলিম্পিক পাঙথোকপা মতমদা বোজর বানিষ্টর শান্নবদগী পোত্থারে। তৌইগুম্বসুং কুমজা ১৯৫৪গী মে ৬তগী কুমজা ১৯৫৬ ফাওবগী মনুংদা মিনট মরিগী মনুংদা মাইল অমা চেনবা ঙম্বা হায়বদি মিনট মরিগী পল অসিবু নমখায়বা ঙম্বা নুপা ১০ মক মেলবোর্নগী ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা পুল্লপ পুল্লম্মী। মখোয়গী মনুংদা তরুক অমদি লমজেলদা শরুক য়ারম্মী, মরি অমদি ভাবক ওইরম্মী। মখোয় খুদিংমক্তা বনিষ্টরনা ঙক্তা পুন্নবা ‘সিল্ককি টাই’ অমমম খুদোল তৌরম্মী। টাই অদু সনাগী Laurel wreath অমা লোল্লগা মদুগী মনুংদা মোনোগ্রাম ওইনা লুপাগী লংনা "4" অমদি সনাগী লংনা MM লোল্লম্মী।

অফাওবা লমজেল্লোয় অয়াম্বা হিত্তা লৈহৌরে। নুপা ১২না শরুক য়াবা ফাইনেল অদু অসুক্কী মতিক লম্বা চারম্মী মদুদি অরোইবা রাউন্দ অমখক্তমক ঙাইরে হায়না তাক্লবা কাংসি খিংলিবা নুপা অদু ফাওবা লমজেল অদু য়েংবা নুংঙাইদুনা (বেল) কাংশি খিংবা কাউরম্মী। অরোইবগী রাউন্দ অদু হৌরকপদা গ্রেট-বৃটেনগী উসন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী মর্ভে-লিংকননা মাঙ থংদুনা চেল্লম্মী। মখোয় অনীবু অতোপ্পা তরা অদুনা য়াম্না নক্লা তান্নরম্মী। মর্ভে লিংকন (Merve Lincoln) মখোঙ নারকপদগী চেনবা ঙমখিদ্রে। মতম অসিদা রোন-দালানি লমজেল্লোয় মাপলগী মতুংদা চেন্দুনা হেঙ্গৎফম লৈরমদে, মহাক্কী কোচনা অসুম্না থৎচনখ্রবদি ইপা-পাখৎকনু, ফিংগৎকনু, তপথৌ হায়না পাউতাক পীরম্মী। মরম অদুনা মহাক্না ৱাখল তপথনা ময়ামগী মতুং ইন্নরিঙৈদা মিটর ৩০০ খক্তা লমথুংফম য়ৌগদবা ঙাইরম্মী। মতম অদুদা গন্নর-নেইলসন্না মায় পাক্কদবা উরক্তবদগী লৈথহৌদুনা রোন-দেলানিবু হেঙ্গৎহনখি। মহাক্না লমথুংফম য়ৌগদবা মিটর ১২০ রোমদমক ঙায়রবদা মপাঙ্গল ফুদোক্তুনা মমাঙদা চেল্লিবা ব্রিয়েন-হিউসনবু হেঙ্গৎতুনা মখূৎ অনী তিংথোক্তুনা লমথুংফম য়ৌখি, মহাকপু তান্নরকপা নোংপোক জর্মনিগী Kluas Richtzenhein অমসুং জোন-লেন্দিনা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা পোজিসন ফংখি। লমথুংফম য়ৌরবা তুংদা রোন-দেলানীনা কুপ্থদুনা লাই খুরম্মী মদুদা জোন-লেন্দিনা চঙশিন্দুনা মহাক শোকপ্রা হায়না হংলকই।

ওলিম্পিক অসিদা খ্বাইদগী মমিং চৎপা শান্নরোয় অমা ওইরিবদি সোভিয়েট লৈবাক্কী ভ্লাদিমির-কুটনি। মীয়াম্না অঙাংবা মোজা-ফুরিৎ লিৎপা, মী-পিক্তক তৌবা রসিয়া মচা অসিগা গ্রেট বৃটেনগী গোরদোন-পেরি কৌবা মশক মতৌ ফজবা লমজেল্লোয় অমগা মেলবোর্নদা লমজেল তান্নবা য়েংনবা মতম কুইনদগী ঙাইদুনা লৈরক্লবনি।

ওলিম্পিক পাঙথোক্কদবা থা অনীগী মমাঙদা ভ্লাদিমির-কুটনা মিটর ১০,০০০গী মালেমগী রেকোর্দ অমা মিনট ২৮:৩০.৪দা মোস্কোদা থুগায়খি। অদুবু মোস্কোদা চেনখিবা লমজেল অদুগী মমাঙদা মহাকপু লণ্ডন সহরদা গোরদোন-পেরিনা মায়থীবা পীখি। মখোয় অনীমক্কী দম, য়াঙবা, মপাঙ্গল, য়াঙনা-শাংনা চেনবা ঙম্বগী মগুণ অমনা অমবু হেঞ্জিনবা ঙম্নদে। অদুনা কোচশিংগী লমজেলগী লাল্লোং (টেক্টিস) তোঙান তোঙানবা মওংদা শীজিন্নরম্মী। রসিয়ান অমসুং ইংলিসকী খেন্নবা টেক্টিস শীজিন্নদুনা ওলিম্পিক অসিদা মায় পাক্লবা হোৎনরম্মী। ওলিম্পিক্কী মিটর ১০০০০গী ফাইনেলদা ভ্লাদিমিরনা অসুক্কী মতিক য়াঙনা চেল্লম্মী মদুদি লমজেলগী অহানবা তঙ্খাই (মিটর ৫০০০) মিনট ১৪.০৭.০ চঙলম্মী। মসি মমাঙগী ওলিম্পিক্তা জেতোপেক্না মিটর ৫০০০গী লমজেলদা সনাগী মেদল লৌখিবা মতম মিনট ১৪.০৬.৬তগী সেকেন্দ অমা ফাদনা তপ্লম্মী।

ভ্লাদিমির অমসুং গোরদোন - পেরি ময়ামদগী মিটর ১০০ রোম মাঙ থাদুনা চেল্লম্মী, মিটর ৬০০০কী মতুংদা ভ্লাদিমির-কুট খরা তপথনা চেল্লম্মী। মিটর ৮০০০দা মহাক অসুক্কী মতিক তপথরম্মী মদুদি মহাকপু পেরিনা নমদুনা হেঙ্গৎহল্লগা মিটর ১০০ চপ চানা মাঙ থাদুনা চেলহল্লম্মী, মতুংদা মহাক্না কন্না অমুক চেনখৎলক্তুনা পেরিবু হেঙ্গৎহল্লগা মহাক্না পেরিবু অমুক-অমুক তান্নদুনা হেঙ্গৎলম্মী। মরম অসিনা পেরিনা য়ারিবমখৈ মহাক্কা নক্লনা চেনমিন্নদনবা হোৎনরম্মী। লমজেল অদুদা হঙ্গেরিগী জোসসেল কোভাক্স (Jozsel Ko-vacs) না লুপাগী অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী অল্লান লোরেসনা শেঞ্জেংগী মেদল ফংখি।

নুমিৎ মঙানিগী মতুংদা মিটর ৫০০০ লমজেলগী ফাইনেল পাঙথোক্লম্মী, হৌখিবা জুন ৯দা পেরিনা কুটপু মায়থীবা পীখিবা মতমদা মালেমগী রেকোর্দ অমসু থমখি অদুবু ওলিম্পিক অসিদদি কুটনা শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়না নীংনরম্বা অদুমক শোয়দনা পাঙথোক্লম্মী। তৌইগুম্বসুং পেরি-কুট অমসুং রসিয়া কোচকী লাংদা থুবা ঙমখিদে। পেরিনা লুপাগী মেদল ফংখি অমসুং বৃটেনগী দেরেক ইবোটসননা অহুমশুবা তাখি। ইবোটসন মাইল অমবু মিনট মরিগী মনুংদা চেনবা ঙম্বা মীওই তরাগী মনুংদা অমনি। ভ্লাদিমির-পেত্রোতিক-কুটস হায়না মমিং কৌবা নেভিগী ওফিসর ওইরম্বা অসি কুমজা ১৯১৭কী ওগষ্ট ৭তা য়ুক্রেনগী অলেক্সিনো কৌবা মফমদা পোকখি। শান্নবদগী পোত্থারবা মতুং কুমজা ১৯৬০দা হার্ট এটেক অমুক তৌখিবদগী কলহৌরম্মী। ●